# ব্রোইলরদা প্রোবাইওটিক্স পীজবগী কান্নবা

ডো: সরাংথেম জেসমারানি

প্রোবাইওটিক্স অসি অহিংবা হিংকুপশিংনি। মসিবু চাং নাইনা পীজরবদি ব্রোইলরশিং মশা ফনা লৈবা ঙমহল্লি। প্রোবাইওটিক্সতি হিংকুপ ওইরগসু হু চেন্দে, ব্রোইলরশিংগী মশাদা কান্নবা কয়া পীবা মখল অমনি। ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা হাপ্লগা পীজরীবা প্রোবাইওটিক্সতি খুদম ওইনা হায়রবদা লেগটোবেসিলস, স্ত্রেপাটোকোকস বেসিলস, বিফিদোবেকটিরিয়ম, এন্টিরোকোকস, এসপরসিলস, কেনদিদাসেক্লোসাইসিস অসিনচিংবা ময়াম অসিনা ব্রোইলরগী মপূং মরৈ ফাবদা অমদি লায়না চেলহন্দবদা অচৌবা মতেং পাংই। য়েনগী থীরিন্দা অফবা অমদি ফত্তবা হিংকুপ ময়াম অমা লৈরি। করিগুম্বদা য়েনশিং মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌদুনা য়েনশিংদা অৱাবা কয়া পীরি অমদি মচিঞ্জাক চাবা হন্থহন্দুনা লায়না কয়া থোকহল্লি।

য়েনাও ওন্নবা মরূম কোনবসি নুমিৎ ২১নি চঙই। মসিদা নুমিৎ ১৮ শুরবা মতমদা য়েরূম মনুংদা লৈরিবা য়েনাওগী চাকখাওদা এসিদ থোকপা হৌরকই অমদি থীরিন্দা হিংকুপশিং পুনশিন্দুনা লৈবা হৌরকই। মরম অসিনা য়েনাও হেক ওনবগা প্রোবাইওটিক্স পীজবসি য়াম্না মথৌ তাই।

প্রোবাইওটিক্সকী থৌদাং :-

প্রোবাইওটিক্স পীজবসি ঙল্লিঙৈ মতমদা পীজবনা হেন্না ফৈ। মরমদি অফবা মখলগী হিংকুপশিংসি পূনশিন্দুনা হেন্না মশীং হেনগৎহন্দুনা থীরিন্দা লৈদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি অমদি য়াম্না থুনা মপূং মরৈ ফাহনবা ঙমহল্লি। করিগুম্বা য়েনশিংনা মখোঙ হামথদুনা নারকপা তারগদি হান্না লৈরম্লিবা অফবা মখলগী হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহল্লি। মরম অসিনা এন্টিবাইওটিক্স পীজবা লোইরবা মতুংদা অফবা হিংকুপশিং মরাং কায়না লৈহন্নবা প্রোবাইওটিক্স পীজবগা অফবা মখলগী হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহল্লগা ফত্তবা হিংকুপশিংগী চাং হন্থহল্লি।



য়েনগী মচিঞ্জাক্তা প্রোবাইওটিক্স অসি হাপ্পুনা পীজরবদি য়েনগী থীরিন্দা হান্নদগী লৈরম্বা ফত্তবা হিংকুপশিংগী হিদান্নরকপদা ফত্তবা হিংকুপশিংগী লৈফম লৈতদুনা মশীং হন্থহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা য়েন্দা মথী ফাইহল্লিবা এন্টিরোটোসিস ঈ কোলি অসি ঐখোয়না লেগটোবেসিলাই পীজরগদি ঈ কোলিগী চাং হন্থহল্লি।

প্রোবাইওটিক্সকী হিংকুপশিংসি থীরিন্দা লৈতানা লৈরবা মতুংদা মখোয়না লেগটোফেরিন লাইসোজাইন হাইড্রোজেন পরওক্সাইদ অমদি অতোপ্পা ওর্গানিক এসিদ ময়াম অমা পুথোকই। মসিদা ফত্তবা হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহনবতা নত্তনা পি ঐচগী চাং হন্থহল্লি।

প্রোবাইওটিক্স পীজবনা ব্রোইলরদা কান্নবা :

ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা প্রোবাইওটিক্স পীজরগদি ব্রোইলরশিংসি য়াম্না থুনা চাউগল্লি, শিবগী চাংসু হন্থরকই। রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না প্রোবাইওটিক্স পীজবনা নুমিৎ ৪৭শুবা মতমদা পীজ দবদগী গ্রাম ১৩০গী চাংদা লূম্বা হেনগৎহল্লি অমদি শিবগী চাংসু চাদা ২গী চাংদা খক্তা ওই। প্রোবাইওটিক্স মখল অমা নৎত্রগা ময়াম পূনবা পীজবনা নোংমগী লূম্বগী চাংসি চাদা ৪ হেনগৎহল্লি।

প্রোবাইওটিক্স করম্বা মতমদা পীজগনি :

ব্রোইলরদা প্রোবাইওটিক্স অসি য়োকপা হৌবদগী য়োনদ্রি ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা পীজবা য়াই। মার্কেটতা মখল কয়াগী প্রোবাইওটিক্স ফংই। রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না প্রোবাইওটিক্স অসি মতম হন্থনা পীজবসু য়াই।

য়েনাও পুরকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ১০নি ফাওবা প্রোবাইওটিক্স পীজবীরগা অনীশুবা বুষ্টরগী টিকা কাপ্পমদাইদা হায়বদি নুমিৎ ১৯-২১ ফাওবা অমা অমদি মচিঞ্জাক হোংদোকপা মতমদা হায়বদি নুমিৎ ২৬-৩১ ফাওবা অমা অমদি য়োনগদবা নুমিৎ ৬নি ৱাৎলিঁঙৈদগী য়োনবা ফাওবা পীজবদা হান্না প্রোবাইওটিক্স পীজবগা, পীজদবগা চাংদম্নবদা পীজবনা চাদা ১২গী শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

ব্রোইলর লোয়বিরিবা খুদিংমক্লা য়েনাও হেক পুরকপগা এন্টিবাইওটিক্স পীজবগী মহুত্তা প্রোবাইওটিক্স ওইনা পীজদুনা ব্রোইলরগী শিবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা শেন্দোং হেন্না লৈবা ঙমহল্লি। ●

# রিক্রিএসনল ফিসরিজ

ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ



খূৎশেমগী ওইবা পুখ্রিশিং নৎত্রগা মহৌশাগী ঈশিংদা ঙা ফাবা অমদি ঙা ফাবগী চাংদম্নবনচিংবা কয়া পাঙথোকপা অসিবু রিক্রিএসনল নৎত্রগা স্পোর্টস ফিসিং হায়না খঙনৈ। হৌজিক য়াম্না পাম্নবা চত্থরক্লিবা রিক্রিএসনল ফিসিংগী থৌওং অমা হায়রবদি খোই চোপ্পা, খোইচোপ মেলা পাঙথোকপা অসিনি। রিক্রিএসনল ফিসিং অসি ইকো টুরিজমগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইরি। হায়রিবা থৌওং অসিদা মফম অমগী ফজববু য়েংবা ফংহনবদা নত্তনা মহৌশাদগী লৈরক্লিবা মফম অদুগী হৌন-লোনচৎ অমদি মফম অদুদা লৈরিবা মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংবু মাঙহন্দবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ইকো টুরিজমনা মফম অমগী মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিং মাঙহন্দবদা নত্তনা মনাক নকপা/অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা শেন্দাল লন্বী পীদুনা শেন্থোক হেনগৎহল্লি।

রিক্রিএসনল ফিসিংনা মাঙখিগদৌরবা/মুৎশিল্লক্লবা ঙাশিং কনবদা লৌরিবা থৌদাং :

এসোসিএসন খরা খুদম ওইনা হায়রবদা অসাম ভোরেলি এঙ্গলিং এন্দ কঞ্জর্ভেসন এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইকো কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা অতাঙবা ঙাশিংগী মরমদা মীপূম খুদিংমক খঙমিন্নবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। হায়রিবা কেম্প অসিদা পাঙথোক্লিবা মরু ওইবা থৌওংশিংদি খোই চোপ্পা, হী তোংবা, উচেক য়েংবা অমদি ঙা কয়া য়েংবা অসিনচিংবনি। মালেমগী ওইবা ফিস মাইগ্রেসন নুমিৎ পাঙথোকপা অমদি ঙা য়াম্না ফাবা তান্নবনচিংবা অমদি মহু চেনবা হীদাক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা, ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবনা থোকহল্লিবা অমাঙবশিংগী মরমদা মীওই কয়াদা খঙহন্নবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। মসিদসু নত্তনা অতাঙবা ঙা কয়াগী মচা পুথোক্লবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি।

**শেল লৌদুনা ঙা ফাহনবা :**

মীওই কয়ানা মশাগী লৈজবা পুখ্রিদা শেল লৌদুনা ঙা ফাহনবা/খোই চোপহনবা, ঙা য়াম্না ফাবগী চাংদম্নবা অমদি হি- তোংবনচিংবা থৌওং কয়া পাঙথোকপসু য়াই। মফম, মতমগা চানবা ঈশিংগী শান্ন-খোৎনবা, চীং কাবনচিংবা থৌওং কয়াসু পাঙথোকপা য়াই।

ঙা য়েংফম শেমগৎপা :

ঙা য়েংফম শেমগৎপা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমা ওইরক্লি। ঙানা ঈশিংদা শান্নবা য়েংবদা মীওইবগী হকচাংদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীদুনা হকচাং ফহল্লি। ঙা য়েংফমশিং অসি মহৌশাদগী লাইশঙদা লৈবা পুখ্রি, মীওই খরনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা পুখ্রিনচিংবা মফমশিংদা লৈগল্লি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা অতাঙবা ঙা মখল কয়া য়োক্তুনা মাঙখিগদৌবদগী কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

পুখ্রি মথক্তা য়ূম শাদুনা লমকোয়বশিংগী লৈফম ওইহনবা :

লমকোয়বা কয়ানা পুখ্রি মথক্তা লৈবা য়ূমশিংদা লৈবা পাম্নরি। হায়রিবা থৌওং অসিদা ঙা ফানবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া পীদুনা লমকোয়বা মীওইশিং অসিদা ঙা ফাবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি অমদি ফারকপা ঙাশিং অদু মখোয়না চাজনবগী খুদোংচাবসু পীরি। অসুম তৌদুনা লমকোয়বা কয়াগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা ঙা য়োকপা খক্তমক নত্তনা শেন্দাল লন্বী কয়া ফংহল্লি।

মথক্তা পঙ্খ্রিবশিং অসিদসু নত্তনা ইকো-টুরিজমগীদমক তৌবা য়াবা থৌওং অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা য়োকপনা মপূং ওইবা ফার্ম অমা লৈরবদি অতোপ্পা থৌওং হায়বদি য়েন লোয়বা, ঙানু য়োকপা, ষণ য়োকপা, ওক য়োকপা, হামেং লোয়বা, মনা-মশিং থাবনচিংবা কয়াগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা য়াই অমদি মীওই কয়াগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা হি তোংহনবা, অতাঙবা/ফজবা ঙা কয়াবু য়েংবগী খুদোংচাবা পীবদা নত্তনা শঙ্গোম, য়েরুম অমদি মনা-মশিং কয়াবু লৈবা ফংহল্লবদি রিক্রিএসনল ফিসরিজ নৎত্রগা ইকো টুরিজম মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমগনি। ●

# য়ুরিয়া হারগী কান্নবা অমসুং মাঙজবা

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ঐখোয়না থারিবা তোঙান-তোঙানবা পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন কৌবা পাম্বীগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক অসি পীবা হারশিংগী মনুংদা য়ুরিয়া অসিসু অমনি। ইহান হানবা ওইনা য়ুরিয়া অসি পুথোক্তুনা লৌমীশিংদা ফংহনখিবা মতমদা লৌউ-শিংউবদা অঙকপা ফংনা অওনবা অমা পীখি। য়ুরিয়া পুথোক্লবা মতুংদগী লৌমীশিংগী পোত্থোক খংহেন হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংনা মায় পাক্লবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবদা অচৌবা মতেং পাংখি। লৌমীশিংগীদমক্তি য়ুরিয়া অসি মায় পাকপগী পান্দম অদু য়ৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা কৈরাকনি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই।

য়ুরিয়াগী কান্নবশিং :

(ক) নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিংগী মনুংদা য়ুরিয়ানা নাইট্রোজেন য়াওবা খ্বাইদগী হেল্লি। দরকার লৈবা নাইট্রোজেনশিং মফম অমদগী মফম অমদা পুথোক পুশিন তৌবদা য়ুরিয়া ওইনা শীজিন্নবনা শেল চঙবগী চাং হন্থে।

(খ) নাইট্রোজেন য়াওবা অতোপ্পা হারশিংগা য়েংনবদা য়ুরিয়ানা পুথোকপদা চঙবা শেল অসি নেমই।

(গ) য়ুরিয়া অসি কুইনা থম্বা মতমদা মৈহৌ লাংপোক থোক্কনবা অমা ওইদবনা মতম শাংনা থম্বদা থোইদোক্লা চিংননিংঙাই ওইদে।

(ঘ) হার মখল অসি পাম্বী অমদি লৈবাক মখল খুদিংদা শীজিন্নবা য়াবা হারনি।

য়ুরিয়া শীজিন্নবগী খুদোংচাদবশিং :-

(ক) হার মখল অসি ঈশিংদা য়াম্না তুমগনবা অমদি নুংশিত্তা য়াওবা ঈনিল ফাওবনা চোৎথোকহনবা ঙম্বা ওইবনা হার অসি হানগদৌরিবা বোরা অদু নুংশিৎশিং চঙদবা ওইগদবনি।

(খ) অতোপ্পা নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিংগা য়েংনবদা য়ুরিয়া অসি মঙোন্দা য়াওরিবা নাইট্রোজেনগী চাং অসি থুনা মাঙগনবা ওই। মরম অদুনা কুইনা লিদুনা থম্বা মতমদা মাগী ওইফম থোকপা মগুন অদুদা লৈগনদে।

(গ) Biuret হায়না খঙনবা য়ুরিয়াদা য়াওবা কান্নদবা পোৎলমগী চাং অসি চাদা ২গী চাং য়ৌনা য়াওবা মতমদা হার মখল অসি খুদোংথিনীংঙাই ওই। মরমদি অসিগুম্বা পোৎলম অসি পাম্বী মখল খরদা হু ওই।

য়ুরিয়া কা হেন্না শীজিন্নবদগী থোকপা য়াবা খুদোংচাদবশিং :

(অ) ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংদগী অহেনবা পোৎথোক পুথোক্লবগীদমক কা হেন্না য়ুরিয়া শীজিন্নবনা পাম্বীশিংনা লৈবাক্তগী ঐখোয়না মতিক চানা হাপ্তবা/শুংহাপ-হাপ্তবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংবুসু নমদুনা লৌথোকখি অমদি মফম অদুগী লৈবাক লৈহাও শোকহল্লি।

(আ) য়ুরিয়া কা হেন্না পাম্বীনা দরকার লৈবা চাংদগী হেন্না হাপ্পনা ঈশিংদা তুম্লগা চেন্থখিবা, নুংশিত্তা মনিল ওইনা মাঙখিবনচিংবা থোকহল্লি। ঈশিংদা তুমদুনা মাঙখ্রবা নাইট্রোজেনগী শরুকশিং অদুনা ঐখোয়গী থক্লা-চানবা ঈশিংদা য়াওরক্তুনা ঐখোয়গী হকচাং শোকহল্লি। অমরোমদা অমুক তুরেলগী/অতুংবা ঈশিংদা নাইট্রোজেন য়াওবগী চাং ৱাংখৎলকপ্রা, ঈশিংদা অলগি মখলশিংগী মশীং খংহেন হেনগৎহন্দুনা ঙা অমদি অতোপ্পা ঈশিংদা লৈবা জীবশিং লৈবা ঙমহন্দে অমদি শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং ওইহন্দে।

(ই) অহেনবা য়ুরিয়াদগী থোরকপা Nitrous Oxide ($NO_2$) কৌবা নুংশিৎ মখল অসিনা মালেমগী লৈমায়গী অঙীং-অশাগী খল (Climate change) দা অচৌবা চৈথেং পী।

(ঈ) য়ুরিয়া কা হেন্না শীজিন্নবনা লৌফমদা লৈফম থোকপা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিংগী মশীং হন্থহল্লি অমদি লৌফম অদুগী লৈহাওসু হন্থহল্লি।




(উ) য়ুরিয়া কা হেন্না শীজিন্নবনা হৌরিবা পাম্বীশিং অদু থোৎহল্লি । মরম অদুনা পাম্বীশিং অদু লায়না অমদি তীলনানা ইরায় লায়না মাঙহনবা ঙমই। অমরোমদা অমুক পাম্বীশিং অদু মপাঙ্গল শোন্দুনা তুগল্লি।

(ঊ) চাং চানা য়ুরিয়া শীজিন্নদবনা নাইট্রোজেননা পীগদবা কান্নবদু মপূং ফানা ফংবা ঙমদে।

মরম অদুনা য়ুরিয়ানা পীগদবা কান্নবা অদু মপূং ফানা ফংনবগীদমক য়ুরিয়াগা লোয়ননা পাম্বীনা দরকার লৈবা অতোপ্পা হার মখলশিংসু লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীরগা চাং চানা, মওং চুম্না অমদি মতম চানা চাইসি। ●

## স্টেটকী পাউ

# কোভিদ-১৯ থেংনবদা নীংতম্বা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপা মথৌ তাই : লুপতিন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ থেংনবদা নীংতম্বা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপা মথৌ তাই হায়না লৈহৌ খুন্নাই কনবা লুপতিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসিদা কংলৈ মীয়াম্না অনৌবা খোঙজং অমা চঙশিনবা মতম ওইরে। কোভিদনা মীওইবদা অচৌবা পারা অমা তম্বীরে। পারা অদুদি ইশা ইতোমতা হিংজবা অসিনি। ৱাখল্লোল অসি মালেমগী পেন্দেমিক অসিনা তম্বিরি। ইশা ইতোমতা হিংজবা হায়বসিদা মীপান তাংদবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপা মথৌ তাই। মীপাল তাংদবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎনবা ঐখোয় অপুনবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি। মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মীওই কয়া অশিবগী খয়াৎতা তাহনখ্রে। নোংম- নোংমগী পোজিটিভ ওইবা মীগী মশিংসু হেনগৎলক্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা উপায় অমা হায়বা তারবদি ফজবা লমচৎ শাজৎ হায়বসিনি। হকচাং ফনা থম্বা, অফবা চিঞ্জাক চাবা, কোন্থোং ৱাংমা লান্দবা হায়বা ইপা-ইপুশিংনা তাকপীরম্বা পাউতাক অসিনা কোভিদতগী কনবা ঙমগনি। অখঙ-অহৈশিংগী অফবা ৱাখল্লোল অসিনা খূৎলায় ওইদুনা কোভিদতগী ইরমদম কল্লসি।

ইরমদম অসিদা কোভিদনা অচৌবা পরা অমা তম্বীরে। কংলৈ খুন্নাই অসি কনাগুম্বা অমত্তগী মতেং য়াওদ্রবদি হীংবা ওইথোক্লরোইদ্রা হায়বা ৱাহং অসি লাকখি। পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লেংবা ওৎপা য়ারক্ত্রবা মতমদা কনাগুম্বা অমত্তদগী মতেং ফংলক্ত্রবদা মীয়াম করি তৌগদবনো হায়বা ৱাখল অসি ফাওরকখি। মীপাল তাংদনা হিংবা ঙমজনবা এগ্রিকলচর, সেরিকলচর অমদি হোর্টিকলচরদা অকনবা মীৎয়েং চংশিনবা মথৌ তাই। ঐখোয় হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা উপায় অমা হায়বা তারবদি লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহন্দুনা শেন্মীৎলোন অসি ফগৎহনবা চঙই। ঐখোয়গী লৌফমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা কোক থাদসি। লৌফম্না ঐখোয়গী থৱায়নি। লৌফমশিং কল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল বজার অমদি অকোয়বা মফমশিংদা ময়াং ইম্ফাল সোসল ৱেলফেয়র ক্লব অমদি কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিতিনা ফায়র সার্ভিসকা খুৎশম্নদুনা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীপুম খুদিংমক্লা চৎনা কাংলোন ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নসি। সোসল দিষ্টেন্স ঙাকপা অমদি মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নবা তঙাইফদে। অনা-অকে, অশি-অনাগী থবক নত্তনা লন্বীদা মরম লৈতনা থোকপীগনু। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। ময়াং ইম্ফাল বজার অমদি অকোয়বা মফম কয়াদা হীদাক কাপথোক্তুনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবনি হায়রি।

# দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল হান্নগুম মথৌ তৌনবা থৌরাংশিং পায়খৎলে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ট্রাভেল হিষ্ট্রি য়াওদবা মীওই কয়া মমাং থাগী ১৪দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা অমদি হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লাইওং অসিনা নাবা মীওইগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা দি সী থৌবাল এন বন্দনা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা দি সী থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সী ঐচ মেমচানা হায়, হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী কেজুএল্টিদা তাবা দোক্টর খরা অমদি গ্রেদ ফোর অমা য়াওনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনা হোস্পিটাল অসি তঙাইফদনা থিংলুবনি। অদুবু হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা দ্যুটি তারিবা পূম্নমক স্ক্রিনিং তৌবা লোইশিল্লক্লবনিনা অথুবা মতমদা কেজুএল্টি, ও পি দি অমদি মেটর্নিটি ৱার্দশিং হান্নগুম মথৌ তৌননবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কমপ্লেক্সতা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌরিবা অসিসু হেন্না খূদোংচানবা হায়দুনা খাঙবোক হায় স্কুলগী কমপ্লেক্সতা ওইনা তৌননবা থৌরাংসু পায়খৎলে হায়না ফোঙদোরকখি।

মীফম অদুগা মরী লৈননা সী এম ও থৌবাল ডা. জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইওং অসি নীংথিনা লাকশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী মায়কৈদগী অঙম্বা মওংদা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স টিম থাদুনা পোজিটিভ ওইখ্রবশিংগা নক্লরম্বা মীওইশিং কন্ট্রেক্ট ট্রেসিং তৌবা অমদি মখোয়বু থিন্থদনা টেষ্ট তৌবগী থবক চত্থরি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা খক নৎতনা হোট স্পোটশিং খঙদোক্তুনা মোবাইল টেষ্টিং তৌবগী থবকসু চত্থরি। পোজিটিভ ওইরক্লবা মীওইশিংগী লৈফম লৈরমদবগী অৱাবা অদু হৌজিক্তি এরেঞ্জ তৌবা লোইরে। অদুনা নোংমদা অহেনবা টেষ্টিং তৌনবা থৌরাংসু পায়খৎলগনি। মরম অসিনা লোকদাউন মনুং অসিদা মীয়াম্না য়ূমদগী মপান থোকপীগনু। লাইনিং-লাইশোলনচিংবা মরুওইনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবীরিবশিংনা এস ও পি ঙাক্লা লৈবীয়ু। দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিগী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়না আপিল তৌরক্লি।

# মীওই ২০১ দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না অসি থিংনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থমদুনা মীচম মীয়াম য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অথিংবা থল্লবসু অথিংবসিগী ৱাংমদা থোরকপা মীওই ২০১, ফেস মাস্ক উপ্পুবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা য়াওনা মীওইশিং দিটেন তৌখ্রে হায়রি।

ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমদা পুলিসনা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থুগাইদুনা থোরকপা, ফেস মাস্ক উপ্তুবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই ২০১ দিটেন তৌদুনা লুপা ৫৬,২০০ রোম ফাইন থিহনখ্রে। লৈঙাক্লা চত্থরিবা লোকদাউন থুগাইবা মীওইশিংগী মথক্তা মখা তানা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মখাদা অকনবা এক্সন লৌগনি হায়বা ৱার্নিংসু তৌরক্লি।